# থমজখিবা মঙলান্না মঙফাওনরকপদা

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

চয়োল খরগী মমাঙদা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিদা ঐহাক্না আই এন বি এ টাইৱান অমদি আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা 2021 INBA TAIWAN NATIONAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP পাঙথোকপগী ৱারম থমজখ্রে। আই এন বি এ টাইৱান নেসনল পাঙথোকপসি ঐহাক্কী শান্ন-খোঙচৎতা ঐহাক্না কুমজা ২০১৩দা অহানবা ওইনা নেচরেল ওইনা শান্নজবা মশা-মউ ফবগী লম্দা মিষ্টর ৱর্ল্ড মিংথোল ফংজদুনা ইরমদমগী লূপ (সিভিল ওর্গনাইজেসন) ১৫ হেনবনা কংলৈ অথোইবা মপারি হায়বা মিংথোল অসিবু তরাম্না ওকপীদুনা পীবিখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌদুনা মঙজখিবা মঙলান কয়া অদুগী মনুংদা অমনি। মঙলান কয়া অদুগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াদসু আই এন বি এ ইন্দিয়া পাঙথোকপা হৌখ্রে মমাঙগী কুমজা ২০১৮দগী আই এন বি এ ইন্দিয়া ওফিসিএল্লি লোঞ্চ তৌদুনা। কুমজা ২০১৮দা আই এন বি এ ইন্দিয়া কর্ণাটাকাগী বেঙ্গলোর সিটিদা ওফিসিএল্লি লোঞ্চ তৌরবগী মতুংদা থা অমগী মতুংদা মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা INBA INDIA NATIONAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP সু পাঙথোকখিবনি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা নেচরেল ওইনা শান্নজবা নেচরেল শান্নরোয় কয়াদা নেচরেল ওইনা চাংদম্নবা ফম্বাক অসি খুদোল তমজখিবনি। লোয়ননা, আই এন বি এ ইন্দিয়া নেসনলগী মথক্তা মালেমগী থাক্তা অহুমশুবা ASIA PACIFIC INTERNATIONAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP 2019 গী ওক্টোবর থাদা কর্ণাটাকাগী বেঙ্গলোর সিটিদা পাঙথোকখিবনি য়াম্না মায় পাক্লা। আই এন বি এ ইন্দিয়া নেসনলদা ইরমদম কংলৈপাক্তগী লাকখিবা নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয়শিংনা অনীশুবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না মেদল ফংবা টিম চেম্পিয়ন ওইখি অদুগা য়ূম্বু কর্ণাটকানা অহানবা টিম চেম্পিয়ন ওইখি। অদুবু ঐহাক্না খল্লুবগী ৱাংমদা ইরমদমদগী লাকপা শান্নরোয়শিং খ্বাইদগী মেদল মশীং য়াম্না ফংবা, প্রোফেসনেল কার্দ মশীং য়াম্না ফংবা অমদি ওভরওল মিংথোল মশীং হেন্না ফংবা টিম ওইদুনা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনলদদি ওভরওল টিম চেম্পিয়ন মিংথোল ফংবা ঙমখিবনি।

অসুম্না ঐহাক্কী শান্ন খোঙচৎতা মঙজখিবা মঙলান কয়াগী মনুংদা মঙলান অমা ওইরিবা INBA (International Natural Bodybuilding Association) গী মহৌশাগী ওইবা খোঙজং অসি (নেচরেল মুভমেন্ট) ইরমদম কংলৈপাক্তদি কুমজা ২০১৭তা ঙন্তানা য়ৌরকখ্রবনি। আই এন বি এ গ্লোবল এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা ফম অদুবু শীজিন্নদুনা কুমজা ২০১৭তা "LEGENDARY MR. MAIPAK AND DR. NGANGBAM MEETEI NATIONAL LEVEL NATURAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP" কৌবা নেচরেলগী চাংদম্নবা অসি পাঙথোকখিবনি ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটিগী ওদিটোরিয়মদা। হায়রিবা চাংদম্নবা অদুদা নৌরিবা অঙাং শান্নরোয়দগী হৌরগা অহল ওইরবা শান্নরোয় ১০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা য়াম্না মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙমখি। চাংদম্নবা অদুদা ইরমদমগী মশা মউ ফবা পামজবা ইরৈচা কয়া অমসু লাক্তুনা ওদিটোরিয়মদু পিক থন্দুনা ফম্ফম লৈতবদগী হোল মনুং মনুংগী লম্বী চৎফম ফাওবা ফমদুনা য়েংনখিবনি।

চাংদম্নবা অদুদা য়ুরিন খোমগৎতুনা দ্রগ টেষ্টিং তৌখি। য়ুরিন খোমগৎপদা অসামদগী লাকপা শান্নরোয় অমদি য়ুরিন পীয়ু য়াদবদগী খুদক্তা দিসক্বালিফাইদ ওইহনখিবনি। মদুগী খোঙথাং অদুদা লাকপীখিবা ইরৈচা কয়ানা খূবাক হৌনা হৌনা খূবীখি। মসিনা তাকপদি লাকপীখিবা ইরৈচাশিংনা নেচরেলগী খোঙজং অসিবু য়াম্না তরাম্না ওকপী হায়বদু তাকপনি। ওকফমসু থোকই। খুন্নাই অমা চাওখৎহনসি, মাঙদা পুশিনসি, তিঞ্জং কায়জংদনা থমসি হায়রবদি মীওই খুদিংমক, মরু ওইনা হৌরক্লিবা নহারোলশিং, মহৈরোয়শিং মশা মউ ফনা থম্বা মথৌ য়াম্না তাই। অঙাংশিং, নহারোলশিং অমদি অহলশিংবু মশা মউ ফনা থম্বা হায়বসি আই এন বি এগী পান্দম অমনি। শান্নবনা শান্নরোয় লোইনমক মশা মউ ফহনগনি হায়বা লৈতে, মরু ওইনা শান্নরোয়শিং অদুনা চাহৈদবা পোৎলমশিং শীজিন্নরবদি। মরম অসিননি আই এন বি এ অমদি পি এন বি এ (প্রোফেসনেল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন) দা ৱর্ল্ড এন্টি-দোপিং এজেন্সিগী মখাদা দ্রগ টেষ্টিং তৌববু য়াম্না লূম্না, লুনা লৌদুনা চাংদম্নবা খুদিংদা দ্রগ টেষ্টিং তৌরিবা।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মমাঙ চহী ২০২০দি ইন্দিয়াদা আই এন বি এ ইন্দিয়া নেসনল পাঙথোকপা ঙমখিদ্রে। অদুবু হন্দক চহী ২০২১ অসিসু কোভিদ-১৯ লাইচৎকী অনীশুবা ৱেভকী ফীভম হন্থরকপা তারগদি আই এন বি এ ইন্দিয়া নেসনল শোয়দনা পাঙথোকপা ঙমগনি খল্লি। অদুগা ঐহাক্না ওজা মায়পাককী মমিংদা পাঙথোকচখিবা "LEGENDARY MR. MAIPAK AND DR. NGANGBAM MEETEI NATIONAL LEVEL NATURAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP" সু পাঙথোকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈজে। হন্দক্কী কুমজা ২০২১দা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা চৎথোক চৎশিন্দা অপনবা খরা লৈবা য়াবনা অনীশুবা "LEGENDARY MR. MAIPAK AND DR. NGANGBAM MEETEI NATIONAL LEVEL NATURAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP" পাঙথোকপা ঙমদ্রবসু কুমজা ২০২২দদি শোয়দনা পাঙথোক্কে হায়না শেম শারি। "LEGENDARY MR. MAIPAK AND DR. NGANGBAM MEETEI NATIONAL LEVEL NATURAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP" পাঙথোকপা অসিসু ঐহাক্কী য়াম্না চাউবা মঙলান অমনি। ইরৈচাশিংনা ইরমদম খুন্নাই অসিনা মশা মউ ফনা লৈনবা অমদি হৌরক্লিবা নৌরিবা শান্নরোয়শিং অসিনা নেচরেল ওইনা শান্নজদুনা মশা মউ ফনা লৈবতা নত্তনা খুন্নাই অসিগীদমক ইরমদমগী শান্নরোয়শিংনা মীংচৎ উরোং পুরকপা ঙম্নবা শৌগৎপীয়ু অমদি পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়না লাপ্পবা টাইৱান কৌবা লমদমসিদগী নোল্লুক্লা পাউজে ঞ্জরি। লোয়ননা করিগুম্বা ইরমদম কংলৈপাক্কী নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয়শিংনা কুমজা ২০২১ আই এন বি এ টাইৱান নেসনল য়াওবা ঙমদ্রগসু মথং তারকপা চহীশিংদদি লম কোয়রকপা ওইনা য়াওবীনীংবা শান্নরোয়শিংনা ঐহাক্কী ফেসবুক (FB: Shantikumar Meetei Ngangbam) messenger দা পাউ ফাওবীরকউ। থাগৎচরি। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### শম্বলনা হৱাই মতোন লাম্বগুম লাম্নকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মী অমা ওইনা পোকপু পোল্লবদি লাংফমগী লাংফম ঙাক্তনি হায়নৈ। লাংফম কয়ানা য়োমদুনা চৎলিবা মীওইবগী পুন্সিদা অনা অয়েক, অশোক অপন, য়েক্লবা, নুংশিনবা, কল্লক মীহৌবগী তীঙ্খং-তুম্বৌনা থল্লবা মোংশোংগী তম্পাক্তা য়ূম শাদুনা হিংনরিবা পুন্সিনি। অঙাং ওইরিঙৈ ইমা ইপাগী চেকশিন মীৎয়েংদা ঙাক শেন্দুনা চাউরক্লি। মসিদা কদায়দা করি তৌরক্কদগে খঞ্জবতনা তূম্ফম-চাফম খঙদনা লেল্লকপসু কয়ানি। অদুবু মচানা অফবা লম্দা লাক্লগনা মোমোন নোকচবা মমা-মপাগী হৌনশানি। ফত্তবা লম্দা চৎখ্রগনা পিরাং কংদনা ইকায় ফিরুক খুমদুনা লেনবসু লমদমসিদা য়াওনদবা নত্তে। অদুগা ইরমদম লৈঙাক্কী মপি-মপা ওইবা হায়বসিসু মীহুল কাঙলোন শুনা হুনবা ফংজদবা মতম শোয়দনা য়াওরমগনি খঞ্জে। মীনদি অচৌ অশাং ওইরে নুংঙাইরমগনি খনবীবা, অদুবু অহিং তূম্বদি য়ারমগনি থাজদে। লৈখল শুরবা লমদমসিগী অৱাৎ অপা, লৈত-লায়র, অশি-অনাগী, লম্বী-থোংগী, ৱাকৎ-ৱাহৈ, মহৈ লোইশঙগী, লাইরিক লাইশু তম্বগী, ওজা ৱাৎপগী, ত্রান্সফর তৌবগী ৱাহৈগী লৈতুম কয়ানি লংলক্লিবা। অদুবু মাগী মাগী শিন্নফম থোকপা খোঙবুরোইশিংদা শিন্নখিবসু য়াওরমগনি। মসিদা শেম্বী-শাবীগদবা মখোয়দুনা মীগী পূক্নিং নুংঙাইনবা শিনবীদবনা ঙাইহাক লৈতনা মীৱা তানবা, ঈরাং হৌহনবা তত্তনা থোক্লি। বন্দ ব্লোকেদনা থাবল চোংবগুম মরক মরক্তসু লেংলক্তবসু নত্তে। মসিসু থৌশিন্দা অশোয়বা লৈরম্বসু য়াই। অদুবু মীপূম খুদিংমক পেলহনবদি তাইবঙ শেম্বা মপুমক নত্তবনা ঙল্লোই, অপনবা খুদোংচাদবসু লৈরমগনি খল্লি। তৌবতবু অঙম্বা থবক খরা তৌবদা মমুৎ তানা তৌহন্নীংবগী অপাম্বা মীচম মীয়ামগী মোত লৈনরি।

নাকল অমরোমদা, শিন্মীশিংগী নুমিৎ হায়দুনা মে ১দা পাঙথোক্লরি। মসিদা শিন্মীশিংনা ৱারবা মতমদদি খূৎশুমলদি হেক হেক কাউবীবগুম তৌনরি। লৈত-লায়রগী, অৱা-অনাগী খজিক তেংবাংজনবা ৱানা থবক শূবগী হুমাং মমল হায়বসিসু লুরি। শেল লৈবা লৈতবগী ৱাফমদি খঙজদে। খূৎশুমল পীগদৌবা লৈরগদি থবক লোইরগা, থা হেক ফাবগা হুমাং হঞ্জিন্দ্রিঙৈ পীবিরগদি অৱাবা কাউগনি খঞ্জে। পুক হাপ্লগা ৱানা খাংবা ফাওবা হুমাং মমল পীবিদ্রগদি পুক্কী লান লাকপা মশানা তারক্কনি খল্লি। ঐসু মীসু চপ মান্নে খনবীদুনা শিননেক্লিবশিংনসু মীনুংশি-মীৎয়েং ৱাখল খন্থবীবা চুম্ব্রা খঞ্জে।

নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল সহর লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা মতম অমা মীথাই মকু অমা ফাওবা লম্বী সরক্তা তাহল্লোই হায়বা তাজখি। অদুগা হৌজিক্লা ফত্ত হৌদিনা লম্বী সোরোক্কী মফম শিনবা থুংনা পৈ-পৈদুনা লৈনরি। মসিদা ঐখোয়গীসু ইৱাল লৈরি, হেনবসু খরদি হেনমনখ্রে। লৈঙাক্তদা ঙাক্তা তাইনবসু লানগনি। প্লাষ্টিক খাউ শীজিন্নবসু হৌজিক্লা হেল্লক্লি। অদুগা তুরেল খোংনুং শেংবসু নাগা তুরেলতমক সহর ময়োন ওইবগী মশেংখি। ইরমদমগী মমিং লৈরবা পাৎ তুরেল, ইরম খোংলমদি নোংমতা হন্না য়েংবগী মমি তাদ্রি। ইপান থাদা তোর্ব্বান নিংখাইরগা ঈচাউনা মীয়াম্বু ৱাহল্লবা মতমদা পল থিংবা লাকপদা টি ভি চেনেলশিংদা শক খজিক উৎতুনা থবক তৌবগী নামা লৌবনদি চরাংনরবা মীয়ামগী ৱাখল ঈংথহনবা ঙমগদৌবা মান্দে। অদুনা মতমনা ফরিঙৈ, পাঙ্গল কল্লিঙৈ ইরল তালহৌ হায়নবা অদুগুম্বা নোং চিং লাকত্রিঙৈ মীয়ামগী অমদি ইরমদমগী খনবীদুনা মীংচৎ অমত্তং থমহৌনবা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা তুংগী লম্বী তালহৌবনা পুন্সি খোঙচত্তা নুংঙাইগদ্রা খঞ্জে। অদুনা য়েংখিবা খুদিংদা পূক্নিং নুংশিনীংঙাই পোকহনবা হায়বসিনা থম্মোয় ওল্লকনীংঙাই ওইহল্লি। মীওইবগী পূক্নিংদি ওন্নিংবা মায়কৈদা ওনগদবা লৈরাং নুমিৎলৈগা পাংখকনি হায়নরিবনি। খুদোংচাবা খরদংবু ফংলবদি হায়দুনা খঞ্জবা অয়াম্বনি। অদুনা পূক্নিং ৱারৌখিবদা তুংগী খুদোংচাবা মাঙখিবসু য়াই। মতমসিগী পোলিটিকেল পার্টিনসু ৱাখল খনবীবা ফব্রা খঞ্জে। হোয় অমবু ওইরো, অমবু ওইরো ঐখোয়গী ইরমদম কাঙ্খদা পুকচেল পিক্লা খোয়বা, তাংজ লিনগুম খু-খু কাম্বসু য়াওনরক্লি। অচেংবা য়েংনা নারোন্দা ইরমসিদা খুদোংচাবা লৌনবা কল্লক মীহৌবনা লাঙ্গোয় চন্না লৈরি হায়বসিসু ঐখোয়না পুক ফরিঙৈ মীনুংশিগী ধর্ম্ম শন্দোক্লিঙৈ কাউনরি। পারি পুরিদগী লৈরক্লবা লাইফমলেন কয়াদা মীৎয়েং কারল তারকপা 'শম্বলনা হৱাই মতোন লাম্বগুম লাম্নকপা' অসিনা ঐখোয়না চেকশিনহৌদ্রগদি নুংশিরবা ইরমদম অৱাবগী ঈপাক্তা তাহৌগদ্রা খন্দবা ঙমদে। লৈকোন অমগী লৈখনগুম অমগা অমগা নুংশিননা শাৎমিন্নবগী করম্বা কাঙলোনগী হার হাপ্তুনা মালেমদা অঈংবা ফজবা ইরমদম লৈকোন ওইহনসিগে খন্নবা মতম হেল্লব্রা খঞ্জে। অদুবু মী-মীগী ৱাখল্লোনদি কনানা খঙলুবা ঙমগনি। নুংদনা অমা পান্দনা অমা, চিনগা খূৎকা মান্নদবা চয়েৎনবদা অনী থোকপা লমদম অমসু হেক হেক ওইরক্তবা নত্তে। অচুম অরান য়েংনরিঙৈ শুগদবা শুহৌদা, তৌগদৌবা তৌহৌদা, ঈং তপ্পা লেঞ্জবা ইরমদম অমা শেম্বা ঙমদবা হায়বদুদি তাহনগুমসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম, ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

ষ্টেটকী পাউ

## কোভিদ-১৯ : ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৩৭৮০ শিখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ০৫ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাক্তুনা কেস থেংনবগী চাং ৱাংলিঙৈ চৈরক অসিদা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৩৭৮০ শিহনখ্রে।



হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ঙসি পীখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই ৩৭৮০ লৈখিদবগা লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মশীং পুন্না ২,২৬,১৮৮ শুখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা কেস ৩,৮২,৩১৫ থেংনখ্রে। নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা ইন্দিয়াগী ওইনা অপূনবা কেস মশীংসু ২,০৬,৬৫,১৪৮ শুখ্রে। নোংমগী মনুংদা কেস থেংনবগী চাং অসি হৌখিবা মে ১দগী লাখ ৪গী মথক্তা থেংনখ্রবা মতুংদা ঙরাংদগী হন্থরক্তুনা কেস ৩,৫৭,২২৯ থেংনখিবনি।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা কেস ৩৪,৮৭,২২৯ এক্টিভ ওইরি। মীওই ৩,৩৮,৪৩৯ নৌনা ফগৎলক্তুনা লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ১,৬৯,৫১,৭৩১ শুখ্রে।

ইন্দিয়ন কাউন্সীল ওফ মেদিকেল রিসার্ছ (আই সী এম আর)গী মতুংইন্না মে ৩ ফাওবদা সেম্পল ২৯,৪৮,৫২,০৭৮ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমীৎতনা সেম্পল ১৫,৪১,২৯৯ টেষ্ট তৌখি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা কেস খ্বাইদগী য়াম্বা থেংনখিবা ষ্টেটশিংদি, মহারাষ্ট্র, কর্নাটকা, কেরলা, উত্তর প্রদেশ অমসুং তামিল নাদুনি। মহারাষ্ট্রদা কেস ৫১,৮৮০, কর্নাটকাদা ৪৪,৬৩১, কেরলাদা ৩৭,১৯০, উত্তর প্রদেশতা ২৫,৭৭০ অমসুং তামিল নাদুদা ২১,২২৮ থেংনখি হায়রি।

## তেংনৌপল দি সীনা মোরেগী কম্যুনিটি লিদরশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা তেংনৌপলগী দি সী নাওরেম প্রবিননা মোরেগী কম্যুনিটি লিদরশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯গী ওইরক্লিবা ফীভমশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।




মীফম অদুদা মোরেদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটিশিংগী লিদরশিং অমদি মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি। তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটি লিদরশিংনসু মোরেদা অমদি তেংনৌপলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংননবা হোৎনবদা লৌখৎহন্নিংবা থৌরাং থৌশিল কয়া অমসু থমখি। মীফম অদুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা কুপ্না খন্নরবা মতুং দি সী তেংনৌপলনা মোরে অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা দুকানশিং রোটেসন বেসিসতা হাংননবা ওর্দর অমসু থোকখ্রে। লোয়নান মীপুম খূদিংমক য়ুমদগী মপান থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্পনবসু খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, এম ৱাই সী, কে এস ও অমদি এম সী সীগী লুচিংবশিংনা ঙসি মোরে পি ঐচ সীদা চৎতুনা পি ঐচ সী অসিগী এম ও ইন-চার্জ ডা. শান্তিকুমারগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে। ৱারী শানবা অদুদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন চথুরিবা অসিগী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি।

ডা. শান্তিকুমারগী মায়কৈদগীসু সী এস ওশিংগী লুচিংবশিং অদুদা হৌজিকমক্কী ওইনা ভেক্সিন অসি চহী ৪৫গী মথক্তা লৈবশিংদা কাপ্পগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা পুন্না মীওই ৪৭০ রোমদা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রে হায়বা ৱাফম থমখি। লোয়ননা মোরেদা লৈরিবা মীয়াম্নসু ভেক্সিন অসি কাপথোক্লনবা আপীল তৌখি হায়রি।

## মণিপুরদা পুন্না মীওই ২,৪২,৩৫৯ ভেক্সিন কাপখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা হৌখিবা জন্যুৱারী ১৬তগী মে ৫ ফাওবদা পুন্না মীওই ২,৪২,৩৫৯দা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টতগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগা মরী লৈননা ফংবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রবা মীওই ২,৪২,৩৫৯ অসিগী মনুংদা মীওই ৭৩২০৩দি অনীশুবা দোজসু কাপখ্রে। মণিপুরগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিন কাপখ্রবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা হেল্থ ক্যের ৱর্কর ৩৫০৭০, ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ৭৪৩৪৪, চহী ৪৫দগী ৬০ ফাওবদা লৈবা মীওই ৮০৬৯৫ অমসুং চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওই ৫২২৫০ য়াওরি। ঙসিগী ওইনা পুন্না মীওই ১০৯৯৬তা ভেক্সিন কাপখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপগী চাং খঙৱাং ৱাংখৎলকখিবা অমদি লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শিবগী মশীং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা টিকা উৎসব পাঙথোকখ্রবা মতুংদগীদি চহী ৪৫দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অমসুং চহী ৬০গী মথক্কী মীওইশিংনা ভেক্সিন কাপ্পগী চাং অসি খঙৱাং ৱাংখৎলকখিবনি।

হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা ভেক্সিন কাপ্নবগীদমক মীওই কয়ানা ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা ক্যু শাংনা শাংনা লেপ্পবগী মতৌসু উবা ফংখি।

অমরোমদা, ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি (এন ঐচ এম) মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. এন শ্যামজাইনা ঙসি থাদোরকখিবা চেরোল অমনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রবা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিং, ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিং অমদি চহী ৪৫গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনা অথুবা মতমগী মনুংদা দিজিগনেটেদ কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা চৎতুনা অনীশুবা দোজগী ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। অনীশুবা দোজগী ভেক্সিন অসি অহানবা দোজ কাপখিবা মতুং চয়োল মরিদগীনা নিপাল ফাওবগী মনুংদা কাপহৌগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, হেল্থ মিনিষ্ট্রিদগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৬,০৪,৯৪,১৮৮দা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপখ্রে হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG**

**Ref. Mutation Case No. 268/SDC/M Dated 05/05/2021**

Chabungbam Ibemcha Devi, W/o. (L) Ch. Meghachandra Singh of Phubala Awang Leikai

-Vrs-

Late Chabungbam Meghachandra Singh, S/o. (L) Ch. Manihar Singh of Phubala Awang Leikai

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Moirang, the 5th May, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৯১- ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ১২৬৩ অনৌবা সী: এস: দাগকী নং ১১৭২, ১১৭৩ এরিয়া ০.২০ একর অমসুং এরিয়া ১.০০ একর অপূনবা এরিয়া ১.২০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী লৌফম অসি ইমুং-মনুং মচানা উক্ত কোর্টতা মীং ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চখৎগনি।

HL-P/9192/6 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : Moirang**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG**

**Ref. Mutation Case No. 267/SDC/M Dated 05/05/2021**

1. Rajkumari Sanatombi Dev, W/o. (L) Moirangthem Noren Singh of Moirang Bazar Ward No. 3
2. Moirangthem Memcha Devi, W/o. (L) M. Ingocha Singh of -do-

-Vrs-

Late Co-Pattadar No. 1 Moirangthem (O) Maipakpi Devi, W/o. (L) M. Ibotombi Singh of Moirang Bazar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Moirang, the 5th May, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫১-ঙাঙ্খ লৱাইদা লৈবা পাট্টা নং ৪৯৮ অনৌবা সী: এস: দাগকী নং ৪১১১ এরিয়া ৩.৭০ একর চাওবা ফৌরেল অসিগী মনুংদগী এরিয়া ১.২০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মথক্তা পীরিবা কো-দরখাষ্টকারিশিং অসিগী মীংদা নামা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চখৎগনি।

HL-P/9192/6 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : Moirang**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।